# সাউথ চাইনা সীদা মিলিটরি এক্সরসাইজশিং পাঙথোকপগীদমক ভিয়েটনামনা চাইনাবু চৈ থাংখ্রে



হানোই, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :
সাউথ চাইনা সীদা মিলিটরি এক্সরসাইজ কয়া পাঙথোকপগীদমক ভিয়েটনামনা চাইনাবু চৈ থাংখ্রে। ভিয়েটনামগী ৱার্নিং অসি য়েৎনরিবা ঈশিং লম্বী অদুগী মতাংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা টেন্সন হেনগৎলক্লিঙৈ মনুং চয়োল অসিদা পীবা অনীরকশুবনি।

বৈজিংনা অয়াম্বা শরুক ক্লেম তৌরিবা ষ্ট্রেটেজিক্কী মরুওইবা অমসুং রিসোর্ছ মরাং কাইনা লৈবা সাউথ চাইনা সীগী মতাংদা চাইনা অমসুং ভিয়েটনামনা মতম শাংনা য়েৎনদুনা লাকখি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা টেন্সন ৱাংখৎলকপা উখি। বৈজিংনা ক্লেম তৌবা ভিয়েটনামগী কোষ্টকী মনাক্তা লৈবা ঈশিংগী এরিয়া অমদা হানোইদা পায়খৎপা স্পেনগী রেপসোলনা ওপরেট তৌবা থাউ থিবগী প্রোজেক্ট অমা য়েৎনবদুনা মরম ওইদুনা লেপখি।

হৌখিবা জুনদা ভিয়েটনাম অমসুং চাইনাগী মকোক থোংবা জেনরেলশিংগী মরক্তা বোর্দরগী য়েৎনবশিংগী মতাংদা পাঙথোক্কদবা মীফম অমা খঙহৌদনা কেন্সেল তৌখি। নাকল অনীমক্না নুংঙাইতবা মুক্নবগী ৱাফমশিং পন্নদুনা মীফম অদু খুদক্তা কেন্সেল তৌখিবনি।

নাকল অনীমক্না ক্লেম তৌনবা য়েৎনরিবা পারাসেল ঈথৎশিংদা বৈজিংনা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা মিলিটরি ড্রিলশিং হানোইনা কন্না কন্দেম তৌখি।

‘ভিয়েটনামনা চাইনাগী খোঙথাং অদু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি অমসুং হোং সা অর্কিপিলাগোগা মরী লৈননা লৈরিবা ভিয়েটনামগী সোভরেন্টিবু ইকায়খুম্ননবা চাইনাদা কন্না হায়জরি হায়না ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন লে থি টু হাংনা লৈবাকপোকপগী অথেংবদা হায়খি। মহাক্না ৱাফমদু ফোঙদোকপদা পারাসেল ঈথৎশিংগী ভিয়েটনামিজ মীং শীজিন্নখি।

চাইনানা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবদা সাউথ চাইনা সীগী অৱাং নোংচুপতা লৈবা চানবা মরিটাইম এরিয়াদা লৈবাক অসিনা রেগুলর মিলিটরি ট্রেনিং চথুরি হায়খি। পারাসেলস লৈরিবা মফমদুদা চাইনাগী জুরিসদিক্সন লৈ হায়না বৈজিংনা ক্লেম তৌখি।

কুমজা ১৯৭৪ দা পাৱাসেলসকী মতাংদা লৈবাক অনীনা অতেনবা তৌইগুম্বসুং মীশি-মীনা কয়া থোকখিবা লান অমা শোক্নখি। লান অদুদা ভিয়েটনামিজ লান্মী ৭০ হেন্না মথ্বাই মাঙখি অমসুং মতমদুদগী ঈথৎশিং অদুগী দি ফেক্টো কন্ট্রোল চাইনানা পায়শিন্দুনা লাকখি।

হৌখিবা চয়োলদা ভিয়েটনামনা বৈজিংদা মফম অদুদা চত্থরিবা মিলিটরিগী থবকশিং লেপ্নবা হঞ্জিন হঞ্জিন অপীল তৌখি অমসুং হানোইদা ফোরন এফ্যেয়র্সকী ওফিসলশিংনা চাইনিজ এম্বেসিগী ষ্টাফ উনদুনা ভিয়েটনামগী ফিরেপ শেংনা খঙহনখি।

থাউ অমসুং গ্যেস ডিপোজিটশিং মরাং কায়না লৈ হায়না থাজনরিবা সাউথ চাইনা সীদা চহীদা ডোলর ট্রিলিয়ন ৫ রোমগী লল্লোন-ইতিক্কী পোৎলমশিং পুথোক-পুশিন তৌই।

হানোইনা ক্লেম তৌবা ঈশিংগী শরুকশিংদা বৈজিংনা ওইল রিগ অমা থল্লুবদগী কুমজা ২০১৪ দা সী অদুগী মতাংদা ভিয়েটনাম অমসুং চাইনাগী মরক্তা টেন্সন ৱাংখৎলকখি। বৈজিংগী খোঙথাং অদুনা মরম ওইদুনা ভিয়েটনাম শিন-থুংনা চয়োল কয়া চুপ্না চাইনাগী মায়োক্তা শাথীরবা প্রোটেষ্ট কয়া পাঙথোকখি।

# য়ুনিভর্সিটি কেম্পসকী অকোয়বদা হোং কোংনা নীংতম্বা শৌগৎপা বেন্নরশিং উখ্রে




বৈজিং, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :
চাইনানা কন্ট্রোল তৌবা হোং কোংগী য়ুনিভর্সিটি অমগী কেম্পসতা ঈথৎ অসিবু মনীং তম্না লৈবগী ৱাফম শৌগৎপা বেন্নর কয়া উখিবগা লোয়ননা সেমি ওটোনোমস সিটি অসিদা নীং-তম্না ৱা ঙাংবগা মরী লৈননা টেন্সন নৌনা লাকপগী ফিভম লৈরে হায়রি।

ইংলিস অমসুং চাইনিজ লোলদা “হোং কোং ইন্দিপেন্দেন্স” হায়না ইবা অমুবা বেন্নরশিং অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা হোং কোংগী চাইনিজ য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসকী অকোইবদা থেৎপা উখি।

ক্লাস হৌবদা উরকখিবা বেন্নরশিংদু য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিশিংনা য়াম্না থুনা চিংথখি, তৌইগুম্বসুং মথংগী নুমিৎতা অহেনবা বেন্নর কয়া অমুক থেৎখি হায়না লোকেল মীদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়খি।

শগোলশেন নুমিৎতসু মী চিল্লবা সেন্ট্রেল স্কৱার অমদা বেন্নর অমা য়ানবা উখি। মনাক্তা লৈবা ৱালদা উবা পোষ্টরশিংদা ‘ঐখোয়গী হোমলেন্দগীদমক্তা লাম্হেংনৌ। হোং কোংনা নীংতম্নবগীদমক্তা লাম্হেংনৌ’ হায়না ইখি।

বেন্নরশিং অদু কনাগী খুৎনো হায়বা খঙদ্রবসু মহৈরোয় লূচিংবশিংনা মখোয়বু অকায়বা থোকহন্দনা থম্নবা য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেসনগা কন্না য়েৎনখি।

য়ুনিভর্সিটিগী ওফিসলশিংনা বেন্নরশিংদু ইলিগল ওই হায়জরবসু ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননদি মখোয়বু হৌজিক্কী ইসূশিং খন্নহনগদবনি হায়খি।

# ডাইলোগ য়াওদনা নোর্থ কোরিয়াগী ৱাখল লৈখাই তাবা ওইথোক্তে : পুটিন



ব্লাদিবোষ্টোক, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :
অথিংবা কয়া থম্বা অমসুং প্রেসর পীবখক্না নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র ক্রাইসিস লৈখাই তাবা হায়বসি ওইথোক্লোই হায়না রশিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মহাক্কী সাউথ কোরিয়াগী লেংমান্নবগা ৱারী শানরবা মতুংদা ফোঙদোকখ্রে। কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী ক্রাইসিস অদু লৈখাই তানবা হোৎনবদা প্রোগ্রেস লৈনবা মহাক্না মরী লৈনবশিংদা ডাইলোগ চথনবা তকশিনখি।

রশিয়াগী নোংপোক ইথং-থংবদা লৈবা ব্লাদিভোষ্টোক সিটিদা পাঙথোকপা ইকনোমিক সম্মিট অমগী নাকোইননা পুটিননা মূন জে-ইনগা উনখি। লৈবাক অনীমক্তা থংননা লৈরিবা নোর্থ কোরিয়ানা চয়োলগী অরোইবদা তারিবা মসিগী মরুওইবা নীংশিং কুমওন নুমিৎকী মাঙওইননা অহেনবা খুৎলাই চাংয়েংশিং মরুওইনা অশানবা মিসাইল অমা থাগৎনবা থৌরাং তৌরম্বা য়াই হায়বগী থাজবদা মালেমগী লৈবাকশিংনা নুংনাংবা হেনগৎলক্লিঙৈ মরক্তা সম্মিট অদু পাঙথোক্লিবনি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পিয়োংয়াংনা মসিগী তরুকশুবা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা ন্যুক্লিয়র বোমগী চাংয়েং পাঙথোকখিবদুবু পুটিননা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা রশিয়ানা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র ষ্টেটস রিকগনাইজ তৌদে হায়খি। “পিয়োংয়াংগী মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসনশিং খোঙ্গাওনৈ, মসিনা নন-প্রোলিফরেসন রেজিমগী চাং তাহল্লি অমসুং অৱাং-নোংপোক এসিয়াগী সিক্যুরিটিদা অকিবা চাউনা পোকহল্লি হায়না অপূনবা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা পুটিননা হায়খি। ‘মসিগা লোয়ননা কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী প্রোব্লেম অসি শুপ্পগী অথিংবশিং থম্বা অমসুং প্রেসর পীবখক্তনা লৈখাই তাবা ঙমল্লোই হায়বসি ঐখোয়না উবা ফংলে। পোলিটিকেল অমসুং ডিপ্লোমেটিক্কী পাম্বৈশিং য়াওদনা খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্লোই” হায়না পুটিননা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা পিয়োংয়াংগা ৱারী শানবগী পোলিসি অমা চৎথগনি হায়রদুনা পাৱর পায়রকখিবা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূনগী মথক্তা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা অকন্নবা ফিরেপ অমা লৌনবা প্রেসর পীবা হেনগৎলকখি। নোর্থ কোরিয়াগী ৱাফম লৈখাই তাবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওই হায়না মহাক অমসুং পুটিননা য়ানখি হায়না মূননা পাউমীশিংদা হায়খি।

# সিরিয়ন গভর্নমেন্টনা খান সৈখুনদা সরিন থাদখি - য়ু এন

*জিনিভা, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :*
*খামদুনা লৈবা গভর্নমেন্ট প্লেনশিংদা য়ু এসনা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবগী মরম ওইখিবা শাথীবা এটেক অমা য়াওনা সিরিয়ন ফোর্সশিংনা লৈবাক অসিগী সিভিল ৱারদা কেমিকেল খুৎলাইশিং দজন অনীরক্তগী হেন্না শীজিন্নখি হায়না য়ু এনগী ৱার ক্রাইমসকী ইনভেষ্টিগেটরশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।*

*সিরিয়াগী লান মনুংদা চত্থখিবা কেমিকেল খুৎলাইগী এটেকশিংগী মরমদা থিজিনখিবশিংদগী ফংবা খ্বাইদগী মরিক চুম্বা ফাইন্দিংশিংদা য়ু এন কম্মিসন ওন ইনক্বাইরি ওন সিরিয়ানা হায়খি, হৌখিবা এপ্রিলদা গভর্নমেন্টকী ৱার প্লেন অমনা ইদলিব প্রোভিন্সকী খান সৈখুনদা সরিন থাদখিবদা মীচম ৮০ হেন্না শিখি। ওপোজিসননা কন্ট্রোল তৌবা এরিয়াশিংদা মীচমশিংগী মায়োক্তা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা কেমিকেল খুৎলাইশিং তোয়না শীজিন্নখি।*

*কেমিকেল খুৎলাই শীজিন্নবগী খ্বাইদগী শাথীবা থৌদোক্তা সিরিয়ন ফোর্সনা ইদলিবকী খান সৈখুনদা সরিন শীজিন্নখি। মদুদা অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিং ওইদুনা মীওই দজন কয়া শিখি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি অমসুং থৌওং অদু ৱার ক্রাইম অমনি হায়খি।*

*এটেক অদুদা মনম চেন্দবা শাথীরবা নর্ভ এজেন্ট সরিন য়াওই হায়বসি মতমদুদা খঙবা ঙমখি। তৌইগুম্বসুং ওর্গনাইজেসন ফোর প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপন্স (ও পি সি দব্লিয়ু) গী ফেক্ট ফাইন্দিং মিসন অদুনা ৱারোই পীবদা কনানা মদু পাঙথোক্লিবনো হায়বদু পনখিদে। অপূনবা মশিং ওইনা হৌজিক ফাওবদা কেমিকেল খুৎলাইগী এটেক ৩৩ পাঙথোকখি হায়না মখোয়না রেকোর্দ তৌরে হায়না য়ু এনগী ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফোঙদোকখি।*

*এটেক ২৭ তি মার্চ ১ অমসুং জুলাই ৭ কী মনুংদা পাঙথোকখিবা ৭ য়াওনা প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদ গভর্নমেন্টকী ফোর্সশিংনা পাঙথোকখি। মমাঙগী এটেক তরুক কনানা পাঙথোকখিবগে হায়বা হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি।*

*কেমিকেল খুৎলাইশিং শীজিন্নখি হায়বসি অশাদ গভর্নমেন্টনা হঞ্জিন হঞ্জিন য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। খান সৈখুনদা চত্থখিবা ষ্ট্রাইকশিং অদুদা রেবেল ফোর্সশিংগী খুৎলাই পৈফমদা হিট তৌখি হায়না গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং য়ু এননদি রেজিমগী ৱাফম অসি য়াখিদে।*

# ওং সান সু চিনা টেররিষ্টশিংবু ‘পাউ লান্না শন্দোকই’ হায়না মরাল শিখ্রে

য়াঙ্গোন, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :
হান্নগী বর্মাদা কাঙলূপ অমা মরূ ফংনা মুত্থৎনবা হোৎনবগী থৌওং অমা চত্থরকপা য়াবগী খুদোংথীবা ফিভম অমা লৈরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী চীফনা ফোঙদোকখিবা মতুং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ওফিসলশিংনা হায়খ্রে মদুদি, চয়োল অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা ম্যানমারদগী রোহিংয়া মুস্লিম ১৫০,০০০ রোম বাংলাদেশতা চেনখ্রে।

ম্যানমারগী লীদর ওং সান সু চিনা রাখিনে ষ্টেটকী ঈরাংগী মতাংদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোকই হায়না টেররিষ্টশিংবু মরাল শিখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না ওগষ্ট ২৫ দা ঈরাং হৌখিবগা ইরোয়ননা রোহিংয়াশিংনা চেন্নখিবগী মতাংদদি পনখিদে।

ইন্দোনেসিয়া য়াওনা মুস্লিমশিংগী নৎত্রগা মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাকশিংদগী ঈরাং অদুগা মরী লৈননা সু চিদা প্রেসর পীবা হেনগৎলকখি। ইন্দোনেসিয়াদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংনা লূচিংদুনা মীওই লীশিং কয়ানা কেপিটেল জকার্টাদা রেলি অমা পাঙথোকখি অমসুং বুদ্ধিষ্টশিংনা মশিং য়াম্বা ম্যানমারগা ডিপ্লোমেটিক মরীশিং থদৎনবা ডিমান্দ তৌখি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা তাঙনা পীখিবা চেরোল অমদা সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটেরেসনা রাখিনেগী ঈরাং অদু মীওইবগী অৱা-অনা অমসুং খুদোংচাদবগী অচৌবা থৌদোক অমা ওইবা য়াই হায়না নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

য়ূম্লোন্নবা বাংলাদেশকী শেল-থুমদা শোত্থরবা কোক্স বাজারদা রোইটর্জগী পাউমীশিংনা মশা চোকথরবা রোহিংয়া কয়া হীদা চোন্না তোংলগা বোর্দর ভিল্লেজ সামালপুরগী মনাক্তা থুংলবা উখি।

কোক্স বাজারদা ওপরেট তৌরিবা য়ু এন ৱার্করশিংনা



ইসূ তৌবা খ্বাইদগী নৌবা এষ্টিমেটশিংগী মতুং ইন্না, শুপ্পগী নুমিৎ ১২ নি খক্কী মনুংদা থুংখিবা রিফ্যুজী মশিং ১৪৬,০০০ য়ৌখি। মসিগা লোয়ননা হৌখিবা ওক্টোবর থাদগী বাংলাদেশতা চঙজফম লৌনবা হোৎনখিবা রোহিংয়াশিংগী অপূনবা মশিং ২৩৩,০০০ য়ৌখি।

নৌনা থুংলখিবা রোহিংয়াশিংনা ওথোরিটিশিংদা হায়খি মদুদি, মীওই ১০০ হেন্না পুরকখিবা হী অহুম য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা ঈশিংদা লুপখি। মদুদগী অঙাং অহুম য়াওনা অশিবা হকচাং তরুক ঈশিং ঈপোমনা মপান্দা চেনখৎলক্লে হায়না কোষ্ট গার্দ কম্মান্দর এম এস করিরনা ফোঙদোকখি।

অনাবা নৎত্রগা অশোকপা কয়াসু য়াওবা রিফ্যুজীশিংগী মশিং হেনগৎলকপদগী ম্যানমারগী মমাঙগী ঈরাংশিংদগী চেল্লকখিবা মীওই লীশিং চা কয়া মতেং পাংলকখিবা এইদ এজেন্সীশিং অমসুং কম্মুনিটিশিংগী রিসোর্ছশিংগী ফিভম শোকচিল্লকখি। রিফ্যুজী কয়া লৈফম লৈত্রি অমসুং এইদ এজেন্সীশিংনা মখোয়দা অরূবা ঈশিং, সেনিটেসন অমসুং চীঞ্জাক পীনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি।

# লালহৌবশিংগী লোৎফমদা বোম পোকখায়খ্রে

ধাকা, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :
ধাকাগী দারুস সলামদা লৈবা ফ্লেট অমদা লালহৌবনি চিংনবা অমনা হৌখিবা লৈবাকপোকপগী অহিংদা বোম কয়ামরুম পোকখায়হনখ্রে।

নুমিদাং পূং ৯.৫০ রোম তাবদা বোম কয়ামরুম পোকখায়খি অমসুং বিল্ডিং অদু মৈ চাউনা চাকখি অমসুং মৈখু মপৈ-মপৈ কাখি হায়না দেলি ষ্টারনা ফোঙদোকখি। ঙরাং বিল্ডিং অদু মী চঙথোক-চঙশিন য়াহন্দনা কোইশিল্লগা থমখি অমসুং রেপিদ এক্সন বটালিয়ন (আর এ বি) গী ওফিসলশিংনা লালহৌবা অদুদা সরেন্দর তৌনবগী মতম পীখি। অদুম ওইনমক মহাক্না মখা তানা পূংখায় অমগী মতম পামখি হায়না দেলি ষ্টারনা এলিট ফোর্স অদুগী লিগল অমসুং মীদিয়া ৱিংগী ডিরেক্টর মুফটি মাহমুদ খানগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি। লালহৌবা অদুনা বোম কয়ামরুম পোকখায়হনখি হায়না আর এ বিগী ডিরেক্টর জেনরেল বেনাজিরনা ফোঙদোকখি। পোকখায়খিবশিংগী চাং অদুনা লালহৌবশিংগী লোৎফম অদুদা মীশি-মীনাশিং থোক্লম্বা য়াবগী ইঙ্গিৎ পী হায়না মহাক্না মখা তাখি। থৌদোক অদুগী মখা তাবা অকুপ্পশিংদি ইন্সপেক্সন লোইরবা মতুংদা পীবা ঙমগনি হায়না আর এ বিগী দিজিনা হায়খি। মমাঙদা আর এ বি পর্সনেল খরনা ফোঙদোকখিবদা লালহৌবনি চিংনবা মীওই অদু মহাক্কী ইমুংগী মীওই মরিগা লোয়ননা সরেন্দর তৌবগী ৱাফম য়াখি হায়খি। ফ্লেট অদুদা জে এম বিগী মিলিটেন্ট অব্দুলাহ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই মঙা লৈখি হায়না আর এ বিগী স্পোক্সমেন মুফটি মাহমুদ খাননা ফোঙদোকখি। অব্দুলা অসি কুমজা ২০০৫ দগী টেররিজমগী থবক কয়াদা চেন্নদুনা লাকখিবা শাথীরবা মিলিটেন্ট অমনি।

# ব্রিক্সকী মীফম মতুংদা ইস্লামাবাদকী নুংনাংবা কোকহন্নবা চাইনানা পাক ফোরন মিনিষ্টরগা ৱারী শানরগনি



বৈজিং, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :
ইহান হানবা ওইনা ব্রিক্সকী ডিক্লারেসনদা এল ঈ টি অমসুং জে ঈ এমগুম্বা পাকিষ্টানদা বেজ ওইবা টেররিষ্ট গ্রুপশিং পনখিবগা মরী লৈননা ইস্লামাবাদকী নুংনাংবা কোকহন্নবগী খোঙথাং অমদা বৈজিংনা পাকিষ্টানগী ফোরন মিনিষ্টরবু ৱারী শাননবগীদমক্তা ইনভাইট তৌখ্রে।

পাকিষ্টানগী ফোরন মিনিষ্টর মোহম্মদ অসিফ সেপ্টেম্বর ৮ দা চাইনাদা ওফিসল খোঙচৎ অমদা লাক্লগনি হায়না বৈজিংদা চাইনিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন উনরগনি অমসুং মহাক্না ফোরন মিনিষ্টর ৱাং য়িগা ৱারী শানরগনি হায়না সু ৱাংনা ফোঙদোকখি।

চাইনা অমসুং পাকিষ্টান অসি অৱা-নুংঙাই খূদিংমক্কী ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিং ওইনরি। নাকল অনীমক্কী মরী শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলকখি। অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিংনা ভিজিট তৌনখি অমসুং পোলিটিকেল কোওপরেসনগী মহয় য়ানবা উখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা পাকিষ্টানদা মখা তানা টেরর গ্রুপশিং শৌগৎলবদি ফৎতবা মহয় কয়া মায়োক্লগনি হায়না চেকশিনৱা হায়খিবা মতুংদা অসিফনা চয়োল অসিদা চাইনা, রশিয়া, টর্কি অমসুং ইরানদা চৎতুনা ইস্লামাবাদপু শৌগৎনবা তকশিনগনি হায়না থাজনরি।

অসিফকী খোঙচৎ অসি লৈবাক অনীগী মরক্তা মরুওইবা থৌদোক অমা ওইরগনি। মসিনা লূচিংবা অনীগী মরক্তা য়ানখিবা কোওপরেসন পীনবগী ৱাফম চেৎশিনহল্লগনি। চাইনা পাকিষ্টান ইকনোমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী) দা য়ূম্ফম ওইবা পোলিটিকেল কোওপরেসন চেৎশিনহল্লগনি অমসুং মালেম অমসুং রিজনেলগী ওইবা ৱাফমশিংগী মতাংদা কোওর্দিনেসন অমসুং পাউ ফাওনবা হেনগৎহল্লগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

পাকিষ্টাননা খুদুম চল্লিবা কাশ্মিরগী লমদম ফাওদুনা চৎলিবা য়ু এস ডোলর বিলিয়ন ৫০ গী সী পি ঈ সীগী মতাংদা ইন্দিয়ানা বৈজিংদা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

নাকল অনীনা লৈবাক অনীগী ওইবা মরী অমসুং নাকল অনীমক্না থৱাই য়াওনবা মালেমগী অমসুং মফম কয়াগী ওইবা ইসূশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি হায়না মহাক্না ব্রিক্সকী মতাংদা পাকিষ্টাননা নুংনাংলিবদু পন্দবীদা হায়খি।

[illegible]

## ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি



মতম কয়াগী মমাঙদগী ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা নাদুনা খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অমসুং খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙদুনা পুক নুংঙাইতবা অমদি গ্যাষ্ট্রিক তৌবা, য়াঙ মরী চিকপা-নাবা অমসুং অমাঙথোংদা মপান ফাওনা পোমদুনা চিকপা-নাবা, ফিষ্টুলা ওইদুনা চেকখায়রম্বদু ওজা **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়াময়ুম ☎ ৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৭৮৩** দা চৎতুনা তানরগা হীদাক চাবা অমদি মতম চানা তৈদুনা হোৎনবদগী নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা অপোম্বা হঞ্জিন্দুনা চিকপা-নাবা অমদি গ্যাষ্ট্রিক তৌরম্বা অদু মপুং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু হায়নিংঙাই লৈতনা পাউচেগী খুথাংদা থাগৎচরি অমসুং মতম শাংনা মপুগী থৌজাল ফংদুনা অৱা-অনা তারবা খুদোংচাদ্রবা কয়াগী সেবা মপুং ফানা পূন্সি নুংশাংনা সেবা মতোল লোম্না তৌবা ঙমহনবীসনু !

*লায়েংফম* : 1. North AOC Near Kekrupat 3 Star Palace Building. Time : 10:30 am to 4:00 pm.
2. Mayang Imphal Konchak. Time : 6:00 am to 10:00 am.

*থাগৎচরিবা* : **CH. BOBO SINGH**
Sagolband Tera, ☎ 8794125802

HL-B/4061/7

## [illegible]/ওজা MV AZAD পু হন্না হন্না থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুঙশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, শেংনা হামদোকপা য়াদবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ থোক্লকপা, থোক্লকপা ফুরিদু কায়খ্রগনা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বদা সৌজ তারকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক য়াম্না নাবা, চাবা তুমদবা, খোঙ হাম্লমদাইদা অমাঙথোংগী অকোয়বদা হাক্কৎচবা হকচাং হৈনিং-শিংনিংবা পোক্তবা, লু-তোং চিকপা-নাবা, খ্বাঙ য়াঙলেন নাবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM ☎ 8014025567, 7628890261** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা নুংঙাইতবশিং পুম্নমক ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফদুনা হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু পাউচেগী থোঙদা থাগৎচরি।

লায়েংফম :
1. Hatta, Opp. Public Hospital near Oil Pump Hatta, Imphal.
2. Centre Road Opp. ICI Church, ICI Road Hiangtam Lamka CCpur.

*থাগৎচরিবা* : **Naorem Tamphasana** Keinou.

HL-P/2660/7

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL, DIET-KAKCHING

NOTICE FOR GENERAL AWARENESS
Kakching-DIET, 6th September, 2017

No. 16/10/95-DIET/K(Trg.) It is for general information to all the in-service Elementary School Teacher, that, as per the instruction of the MHRD, GOI all the in-service Elementary Teacher Govt./Govt. aided/unaided private school teachers who have been appointed on or before 03/09/2001 are to possess the requisite qualification mandated under RTE Act. 2009 within 31st March, 2019.

Therefore, all the Elementary School Teachers who do not have the above requisite educational qualification are informed to apply on line registration for undergoing 2 year Diploma in Elementary Education (D.El.Ed.) and Class XII (if necessary) to NIOS on or before 15/09/2017.

Detail inforation can also be had from the DIET Centre.

sd/- W. Puinyabati Devi
Principal,
DIET, Kakching, Govt. of Manipur.

HL-B/4112/7

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TOURISM

NOTICE INVITING TENDER
Imphal, the 6th September, 2017

No. 1/423/2017-DTSM: For Manipur Sangai festival 2017 (MSF2017),sealed Bids in two separate envelopes bearing "Technical Bid" and "Financial Bid" enclosed in one single envelope are invited by the Directorate of Tourism, Government of Manipur from intending reputed Firms/Agencies/Company/Non-Profit Organisation. No prospective bidder shall participate in more than one of the following tender specifications.

| Tender Specification No. | Name of the work/Item |
|---|---|
| A1 | Stole for MSF 2017 |
| A2 | CCTV for MSF 2017 |
| A3 | Outdoor publicity for MSF 2017 |
| A4 | Photo and video coverage for MSF 2017 |
| A5 | Memento for MSF 2017 |
| A6 | PA system, LED screen and lighting work for MSF 2017 |
| B1 | Furniture, carpets and pennants for MSF 2017 |
| B2 | Invitation, Souvenir, sticker and accreditation card for MSF 2017 |
| B3 | T- shirts, caps, gift items and decor for MSF 2017 |
| B4 | Refurbishment and maintenance of the Heritage Park at Hapta Kangjeibung for MSF 2017 |
| B5 | Production, marketing & management of Tickets for entry of visitors and parking vehicles for MSF 2017 |

Request for Proposal (RFP) is available in our website www.manipurtourism.gov.in & www.manipur.gov.in from 07.09.2017 (onwards). Duly filled in Tender/Bid must reach the office of the undersigned on or before 3.00 pm on 19.09.2017.

(R. Sudhan)
Director (Tourism), Manipur

HL-B/4111/7